**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরম বিত্তিং দ রিত্রিট পাঙথোক্তুনা ঙসি লোইশিনখ্রে।

মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্টশিংগী মনা মথুম রাজ্যপালনা মনা য়েন্থোকখ্রে।

২) থিয়াম শুরজামুখি দেবীনা মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্সতা পদ্মা শ্রী মনা ফংলকপদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী মীওই অমা ফারে।

৪) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না শেনবা চহি ২০২৫-২৬ য়ুনিয়ন বজেৎ মথং থাগী ১ দা লোক সভাদা পুথোক্লগনি।

অমসুং

৫) উট্ট্রাখন্দনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনবা লৈবাক অসিগী অহানবা রাজ্য ওইরে।

------

আর-ডে (এল)ঃ ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরম বিত্তিং দ রিত্রিট পাঙথোক্তুনা ঙসি লোইশিনখ্রে।

ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা বিত্তিং দ রিত্রিট থৌরমদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি।

নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ চাংদমবা অদুদা পুন্না কলচরেল ডান্স গ্রুপ ১৪ না শরুক য়াখি। মদুদা নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ৱান মোর্দন সোসিয়েল এন্দ কলচরেল য়ুথ ক্লবকী আর্টিষ্টশিংনা অহানবা মনা, শেল ওইনা লুপা লাখ অমা ফংলে। পার্ফোমিং আর্টস এন্দ কলচর ইভোলুসন গ্রুপ থৌবালনা অনিসুবা মনা লুপা লিশিং ৭৫ অদুগা তমেংলোংগী কলচরেল ডান্স গ্রুপনা অহুমসুবা মনা লুপা লিশিং ৫০ ফংলে।

৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমদা শরুক য়াখিবা মার্চ পাস কন্টিঞ্জেন্টশিংগী ওইনা বি.এস.এফ কন্টিঞ্জেন্ট আর্মদ কোম্বেট টিমনা অহাবা মনা ফংলে, শিখ রেজিমেন্টনা অনিসুবা মনা অদুগা অসাম রাইফলস কন্টিঞ্জেন্টনা অহুমসুবা তারে।

স্কুল কন্টিঞ্জেন্টশিংগী ওইনা ১৪ শুবা এন.সি.সি সেনিয়র বোইজ এন্দ গার্লস অমসুং ৬৫ শুবা গার্লস এন.সি.সি কন্টিঞ্জেন্টনা পুন্না অহানবা মনা ফংলে। এন.সি.সি সেনিয়র এয়ার ৱিংনা অনিসুবা মনা ফংলে অদুগা সৈনিক স্কুল কন্টিঞ্জেন্টনা অহুমসুবা মনা ফংলে।

কলেজ কন্টিঞ্জেন্টশিংগী ওইনা দি.এম. কলেজ ওফ আর্টস গার্লস কন্টিঞ্জেন্টনা অহানবা, মণিপুর কলেজ কন্টিঞ্জেন্ট অমসুং নেসনেল নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি কন্টিঞ্জেন্টশিংনা অনিসুবা অদুগা ইম্ফাল কলেজ কন্টিঞ্জেন টনা অহুমসুবা তারে।

বেন্দ পার্তিগী কাংলুপ্তা অসাম রাইফলস বেন্দ অমদি সি.আর.পি.এফ বেন্দনা অহানবা, মণিপুর রাইফলস অমদি সেকেন্দ আই.আর.বি বেন্দনা অনিসুবা অদুগা সৈনিক স্কুল বেন্দনা অহুমসুবা তারে।

কলচরেল ডান্স গ্রুপকী ওইনা ষ্টার ম্যুজিকেল সেন্তর খুরাইনা অহানবা মনা ফংলে। পার্ফোমিং ইনহান্সমেন্ট, আর্ট এন্দ কলচরেল ইভোলুসন্না অনিসুবা অদুগা লিন্দা ফোক্ষ এন্দ ক্লাসিকেল একাদমিনা অহুমসুবা তারে।

টেৱ্লোগী অথোই অহেন তান্নবদা দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ তেক্সটাইলনা অহানবা মনা ফংলে। দাইরেক্তোরেট ওফ হায়র ইজ্কেসন মণিপুরনা অনিসুবা অদুগা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতি মণিপুরনা অহুমসুবা মনা ফংলে।

গেট শাবগী অথোই অহেন তান্নবদা ফোরেষ্ট বিভাগনা অহানবা মনা ফংলে। অদুগা দাইরেক্তোরেট ওফ সেরিকলচর মণিপুরনা অনিসুবা, তুরিজম দিপার্টমেন্ট মণিপুরনা অহুমসুবা মনা ফংলে।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা পাদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। তোঙান তোঙানবা খুলগী খুল্লাকপা অমসুং ভিলেজ চীফশিংদা অঙাংবা কম্বল পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

নোনে (এল)ঃ কুমশি চহিগী গনতন্ত্র দিবস থৌরমদা শরুক য়াখিবা নোনে পার্ট ৱান ভিলেজগী খুঞ্জাশিংগী ডান্স গ্রুপনা উৎখিবা নাৎকী জগোইনা অহানবা মনা ফংলে। মনা অসি ফংলকপদা নোনে জিলাগী মীয়ামা হরাউবা ফোংদোকখ্রে।

রাজ্যপাল (এল)ঃ থিয়াম শুরজামুখি দেবীনা মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্সকী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক ভারত সরকারনা লেমজনিঙাই ওইরবা পদ্মা শ্রী মনা পীরকপদা রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোলদা রাজ্যপালনা হায়- শ্রীমতি শুরজামুখিনা হৌখিবা চহি ৫০ রোম অসিদা মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্সকী লমদা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়া তৌরকপা অসিনা লমদম অসিগী কলা সংস্কৃতিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বতা নত্তনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিগী পুক্কেবু মালেমগী মীয়ামা থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

পনবা য়াই, শ্রীমতি থিয়াম শুরজামুখি দেবীবু ভারত সরকারনা কুমশি চহিগী গনতন্দ্র দিবস থৌরমগা মরী লৈননা লেমজনিঙাই ওইরবা পদ্মা শ্রী মনা পীরকখিবনি। ইং ১৯৫৪ দা মতমদুগী সোভিয়েট য়ুনিয়নদা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্সকী পার্ফোমেন্স উৎপদা শ্রীমতি শুরজমুখি শরুক য়াখি।

এরেষ্ট (এল)ঃ থৌবাল পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)কী কেদরনি হায়বা মীওই অমা ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাইথৌ খোঙনাং কাচিনদগী ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়- লুপ অসিগী মীওই খরা ৱাইথৌ এরিয়াদা চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অদুদা খুদক্তা চংশিন্দুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চথখি। মদুদা মশক খঙদবা মীওহ অমা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা থিয়াম খুললোমদা লাকপা থেংনখি। মীওই অদু চ্যেক তৌবদা মঙোনদগী ৱায়ারলেস হেন্দ সেট অমা নাইন এম.এম পিষ্টোলগী মরু ৬ ফংবা ঙমখি। ফারবা মীওই অদু লিলোং পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে।

রোড সেফতি (এল)ঃ নেসনেল রোড সেফতি মন্থকা মরী লৈননা কমেমোরেসন প্রোগ্রাম অমা কামজোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরগী টাউন হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কামজোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রংনামৈ রং পিতরনা লম্বীদা গাড়ি থৌবদা অশোই অঙাম থোক্তনবা মীয়ামা অমদি তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকপগা লোয়ননা লম্বীগী খুদোংথিবশিং হন্থহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামদা পাউজেল পীবদা নহাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌনবা আপীল তৌখি। তুংদা, রোড সেফতিগী পাউজেল পুবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমসু চৎখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ খা থিনুংগৈ গ্রাম পঞ্চায়টতা মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল গেরেন্তি স্কিম (এম.জি-এন.আর.ই.জি.এস)কী থবক শুবগী শেনফম পীথোক্ত্রিডঁে চৈরক্তা থিনুংগৈ গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিনা মীওই খরাদা লোন্না থবক শুবগা শেনফমশিং লান্না পীথোকবা হোৎনরল্লে হায়রি।

ৱাফম অসি খা থিনুংগৈ ৱার্দ নম্বর-ফোর কাংশোইবীগী মফম অমদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবনি। কমিতিনা মীওই খরদা লান্না পৈশা পীথোকবা হোৎনরম্বগী থৌওং অদুবু জোব কার্দ হোল্ডরশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি অমদি নিয়ম চুমা থবক শুরিবশিংদা খুৎশুমল পীথোকপীনবা আপীল তৌরক্লি।

হিদাক মনা (এল)ঃ নেসনেল তোবেক্কো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম (এন.টি.সি.পি)গী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট তোবেক্কো কন্ত্রোল সেলনা শিন্দুনা হিদাক মনা শিজিন্নবগী মাংজবগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা তাকয়েলপাৎতা লৈবা ওক্সফোর্দ ইংলিস হাইস্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার এন.টি.সি.পিনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

স্কোরারসিপ (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী ওইনা ক্লাস থ্রি, ফাইভ অমসুং ক্লাই আইথ পাস তৌরবা সরকার অমসুং লন্নাই স্কুলগী মহৈরোইশিংগী ওইবা ষ্টেট কম্পিততিভ স্কোলারসিপ একজামিনেসন জিলা অসিগী ওক হিলস খৃষ্টান একাদমিদা পাঙথোক্লগনি। জেদ.ই.ও চান্দেলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-পরিক্ষা অসিদা শরুক য়ানিংবা মহৈরোইশিংনা থা অসিগী ২৯ দগী জেদ.ই.ও ওফিসকী সাইন্স য়ুনিত্তগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম মথং থাগী ১০ দনি।

ককচিং (এল)ঃ সরকারনা পায়খৎলিবা মাইনোরিতি কাংলুপশিংগী য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা মরিক চুমা খঙহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী শন্থেলখোং মপালদা লৈবা উমরৱালি মসজিদ কম্পাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসি মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিতি কম্মিসনগী মীৎয়েং মখাদা শন্থেলখোং মপাল ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱাবগাই কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ- এম.দি ফজ্‌র রাহিম, মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিতি কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন অনৱার হুসেন্নচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলস নোনে বত্তাল্লিয়ন্না শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৪১৫ লায়েংখি অমদি হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি। কেম্প অসি অসাম রাইফলসকা খুঞ্জাশিংগা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

সিতারমন ঃ কেন্দ্রগী শেল থ্‌ম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না শেনবা চহি ২০২৫-২৬ য়ুনিয়ন বজেৎ মথং থাগী ১ দা লোক সভাদা পুথোক্লগনি।

হন্দক পুথোক্কদৌরিবা বজেৎ অসিনা লৈবাক অসিগী অমদি মালেমগী ওইনা লৈরিবা শিংনবশিং অদু মায়োকবা ঙমগদবা সরকারনা পায়খৎলিবা শেল থুমগা মরী লৈনবা অখন্নবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লবা য়াই। অনৌবা বজেৎ অসিদা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎহনবা, মীওই কয়াদা থবক পীগদবা অখন্নবা থৌরাংশিং পায়খৎপা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর নিংথিনা শেমগৎ শাগৎপনচিংবা হিরমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লক্কনি হায়না অখঙ অহৈশিং অমদি মীয়ামা আশা তৌরি।

য়ুসিসি ঃ উট্টরাখন্দদা লৈবাক অসিগী অহানবা ওইনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ (য়ু.সি.সি) ঙসিদগী চৎনবা হৌরে। মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধামিনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদকী চৎন-কাংলোনশিং পুথোকখি। মসিগা লোয়ননা রাজ্য অসি

লৈবাক অসিগী য়ু.সি.সি চৎনবা অহানবা রাজ্য ওইরে।

যুনিফোর্ম সিভিল কোদ অসি নাগরিক খুদিংমক্তা মান্নবা হক ফংহন্নবা আইন অমনি। রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা মসি চৎনহন্নবা নিয়ম কনোন শেমনবা অয়াবা পীখি। মুখ্য মন্ত্রিনা মসি চৎনবা হৌবগী নুমিৎসু লাউথোকনবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফমনা ৱারেপ লৌখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী মখা তাবা পাউ--

ফ়দসাল (এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিন্দুনা কে.আই.ৱাই.সি আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা করনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল মরিসুবা ইন্টর ক্লব ফুদসাল টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম.এস.ঐচনা এন.এফ.এবু পাঞ্জল ৮-৫ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা পোলোই এফ.সিনা ক্লাসাবু পাঞ্জল ১৪-৩ দা, শঙ্গাই এফ.সিনা আর.এফ.সি.সিবু পাঞ্জল ১০-৩ দা, ক্রিপসানা য়ু.ৱাই.পি.এবু পাঞ্জল ১১-১ দা, অদুগা ই.এস.য়ুনা মুফাবু পাঞ্জল ৮-৫ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা শিনবা মঙাশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা উরুপ অরাপতি এফ.সিনা ওল ষ্টার ক্যামগৈবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্না রেজ নাগামপালবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা সেকেন্দ এম.এন.সি.এ ৱিমেন অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা থাউ (দব্লিউ)না অলমিন (দব্লিউ) লিলোংবু রন ২০৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদ- অক্সদো (দব্লিউ) খাঙবোকনা সেদো (দব্লিউ) থাংমৈবন্দবু রন ১৬২ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.পি.এ অমসুং পুমলেন এফ.সি পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা লমজাউ এফ.সিনা ৱাংখেম এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখ্রে।

------